# ফুটবোল অমসুং খৃষ্টান লাইনীং - ১

—লৈশাংথেম অজিৎ—

**স্কোটলেন্দ** ফাওদুনা চেল্লিবা ক্লেদ তুরেলনা অটলান্টিক ওসিন্দা তাগদবা কিলোমিটর ৩২ ৱাংলিঙৈদা লমদম অসিগী খ্বাইদগী চাউবা লল্লোন ইতিক্তা, জহাজ শাবদা, ফিরোল অমসুং কেমিকেলগী পোৎ চৈ পুথোকপদা মমিং চৎপখক্তা নত্তনা অতৈ য়ুনাইটেদ কিংদমগী সহরগুম্না ফুটবোল শান্নবদা থৱায় য়াওবা সহর ওইবা মরম্না মফম অসিদা খুন্দারিবা খৃষ্টানগী লাইনীং চৎপা য়েংথিনবা কাঙলুপ অনী (১) প্রোটেষ্টেন্ট অমসুং (২) রোমান কেথোলিক্সকী টিম্না লম্বা তৌনদুনা ফুটবোল শান্নবদা টিম অনী অসিবু শৌগৎপা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিং তোখায় তোখায় তান্নদুনা হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়া অমুক্কা মালেমদা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্নরিবা মশান্না অসিবু পামজবা অমদি ফুটবোলগী অশিন অৱাং তৌবশিংগী মীৎয়েং চীংশিনবা খক্তা নত্তনা সোসিয়েল সাইন্টিষ্টশিংগীসু মরুওইবা মীৎয়েংফম ওইরি।

ৱাফম অসিগা মরী লৈনবদা গ্লাসগো সহরগী মমিং লৈবা মীহাৎ মীপুনসু হাংলেংদনা তৌবা, ফুটবোল শান্নবদসু মতিক মগুণ লৈবা প্রোটেষ্টেনগী লাইনীং পথাপ্পু থাজবা শেঙ্গাওশিং পুথোক্লদুনা অশিল অৱাং তৌবা কেথোলিক কেলটিক ফুটবোল ক্লবনি। ক্লব অনী অসিগী ফুটবোল মেচতা রেঞ্জরবু শৌগৎপশিংনা কোমলা মচুগী ফুরিৎ লিত্তুনা মচু অসিমক্কী ফিরালশিং পায়দুনা অমসুং কেথোলিক লাইনীং চৎপা নিংথৌবু মায়থীবা পীখিবদা লুচিংখিবা 'বিল্লী কিঙ' হায়না খঙনবা ৱিলিয়ম ওফ ওরেঞ্জবু শৈথাদুনা ঈশৈ শকই। কল্লা মচু অসি 'বিল্লী কিঙ' গী ফিরাল মচু ওইবনা হৌজিক্কী মতমদা ক্লব অসিগী ফেনশিং, ক্লব অসিবু শৌগৎপশিংনা ফিরাল মচু অসিবু ইকায়খুম্নরি। অলষ্টর ভলুন্টিয়র ফোর্স, অলষ্টর দিফেন্স এসোসিয়েসন অমসুং অৱাং থংবা অয়ারলেন্দগী প্রোটেষ্টেনগী পেরামিলিটরিশিংসু রেঞ্জ ফুটবোল ক্লবকী ফেন্নি। ফুটবোল শান্নবগী পুৱারীদা য়ুরোপ অমসুং খা অমেরিকাদা ক্লবশিংবু শৌগৎপশিংনা মশা মশাগী ক্লবশিংবু মায় পাকহন্নীংদুনা ফুনা-চৈনবা অমদি হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়া অমুক য়াওখ্রে। মখোয়গী মনুংদা রেঞ্জর অমসুং কেলটিক ক্লব অনী অসিবু শৌগৎপা মীওইশিংনা ফুনা-চৈনবা অমদি হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংদি অকিবগী মশক ওইরি। পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ১৯৯৯দা রেঞ্জরগী মীচংদা লৈবা মীওইশিংনা হায়বদি রেঞ্জরবু শৌগৎপশিংনা কার্ল মেকগ্রেউরটি কৌবা চহী কুন শুরবা নুপামচা অমা কেলটিক্কী য়ু থকফম হোটেল অমদা মথবাক্তা ক্রোস বোও (তেন্না) কাপ্পুনা হাৎখি। চহী ২৫গী পাখং লিয়াম সুৱিনি কৌবা ফুরিৎ অশাংবা লিৎপা অমা চাইনিজগী অচা-অথক চাফম অমদা রেঞ্জর ক্লব শৌগৎপা মীওই মরিনা হায়খি, চহী ১৬ খক্তমক ঙাইরিবা থোমাস মেক ফেদেনবু ফুটবোল য়েংলবা মতুংদা আইরিশকী চা থকফম অমদা মথবাক্তা, মবুক্তা অমসুং চনিংদা থাংনা থিন্দুনা হাৎখি। মতম অমদা রেঞ্জর ফুটবোল ক্লব (প্রোটেষ্টেন্ট) না পাঞ্জল অমা হেক চনবগা মসিগী মশম শাংনা খাকপা ইটালি মচা লোরেঞ্জো অমোরুশো কৌবা অদুনা মখূৎ অনী থাঙ্গৎতুনা কেথোলিক্কী এন্টি ওইবা, কেলটিক ফুটবোল ক্লবপু থিনা থিনা হায়দুনা চৈবগী ঈশৈ লাউনা-লাউনা, হৌনা-হৌনা শকহনখি। অঙকপদি কেপ্তেন লোরেঞ্জো অমোরুশো মশামক কেথোলিকনি। মহাক্তা নত্তনা টিম অদুদা য়াওরিবা শান্নরোয় অয়াম্বসু কেথোলিক্কী লাইনীং চৎপশিং ওইরম্মী। কুনশুবা চহী চাগী অথেংবদা রেঞ্জর টিমদা কেথোলিক্স ময়াম অমা জর্জিয়া, অর্জেন্টিনা, জর্ম্মনি, স্বিদেন, পোর্টুগল অমসুং হোলেন্দনচিংবদগী য়াল্লবা শেনফমশিং পীদুনা য়াওহল্লি।

গ্লাসগোগী ইব্রোক্স কৌবা মফমদা রেঞ্জর ফুটবোল ক্লবকী ষ্টেদিয়ম লৈ। চহী খরগী মমাঙদা মফম অসিদা য়েক্লবা টিম অনী অসি ফুটবোল শান্নবদা প্রোটেষ্টেন্টগী সপোর্টর লিশীং নিফুম্নরি অমদি কেথোলিক্সকী মীওই লিশীং তরেৎ খক্তমক্না মেচ অদুবু য়েংখি, মদুদা কেথোলিক্সকী মীওইশিং অদু গোল পোষ্টকী মনিংদা লৈবা ভিজিটরগী ফমফমদা পুল্লপ পূন্না ফমহনখি। সরভিলেন্স কেমেরাশিং মফম মফমদা থমদুনা ষ্টেদিয়ম মনুংদা মীয়াম, শান্নরোয় অমদি সেক্যুরিটিগী মীওইশিংগী মথৌ অদু চেকশিন্না য়েংশিনবগা লোয়ননা মীওইশিংগী মওং মতৌদা হেন্না পূক্নিং চঙশিন্না য়েংশিল্লি। হোম ক্রাউদ, রেঞ্জর ফুটবোল ক্লবপু শৌগৎপশিংনা তমথি তমথিবা ৱাহৈ ৱাত শীজিন্নদুনা অতোপ্পা মায়কৈগী টিমদা হায়বদি কেথোলিক কেলটিক ফুটবোল টিমদা অমদি মখোয়গী সপোর্টরশিংদা লাউশিল্লি অমদি মীগী থম্মোয় শোকনীংঙাই ওইবা ঈশৈ শকচিল্লি।

কেথোলিক কেলটিক ফুটবোল ক্লবকী, অথাপ্পদগী লাকপা সপোর্টরশিংগী তোঙান্না লৈবা ফমফম অদুদা চঙনবা থোঙ্গাল অদুদা শান্নবা হৌগদবা মিনিট কুল্ল্রা ৱাংলিঙৈদা রেঞ্জর ফুটবোল টিমগী সপোর্টর ময়াম অমা হাইজিল্লকপদা শগোল তোংবা পুলিস ময়াম অমনা মখোয়বু থিংখি, চঙহনখিদে। টিম অনী অসিনা শান্নবা মেচশিংবু ইংলেন্দ, স্কোটলেন্দ অমসুং ৱেলসতা ওল্ড ফার্ম (Old Firm) হায়না খঙনদুনা খৎনা চৈনবা য়াম্না থোক্কনবা মেচনি হায়না লৌনরি।

ক্লব অনী (কেলটিক, রেঞ্জর) অসিগী ৱারী সেঞ্চুরি তরাতরুক (১৬)তগী হৌরকখিবগী রেকোর্দশিংদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী। মতম অদুদা প্রোটেষ্টেন্টশিংনা স্কোটলেন্দা ধর্ম্মগী অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনবদা তমথিনা ওৎ নৈবা অমদি নম্ফুগী থবক চৎথখিবশিং অদু অমুক শাথিবা য়ুরোপকী মফমশিংদা অমত্তা থোকখিদে। গ্লাসগো অমদি ইদিনবরাদা ধর্ম্ম শন্দোকফম ওইদুনা রেভরেন জোন নোক্সকী মখা থাবা সেবকশিংনা মখোয়গী হেদ ক্বার্টরস ওইরিবা সহর অনী অসিগী অৱাং লোমদা ধর্ম্ম শন্দোকখি অমদি রোমান কেথোলিক চৎপশিংগী মায়োক্তা থবক কয়া অমুক চৎথখি, থিনা থিনা তৌবিখি। রোমান কেথোলিক চৎপা মীশিং য়াম্না লৈবা মফমশিংবু মুথৎনবা তৌবদা মফম খরদদি ধর্ম্ম অসিবু পামজবা রোমান কেথোলিক চৎপা ফুরুপ খরবু মীপুম তিংনা হাত্তোক্লবা হোৎনখি।

সেঞ্চুরি তরানিপালশুবা (১৭০০-১৭৯৯) লোইশিল্লকপদা গ্লাসগো সহরদা কেথোলিক্সপু শৌগৎপা সোসাইটি লূপ ৩৯ লৈরমখি। লূপ অসিগী মায়োক্তা লৈবা, মখোয়গা য়েংথিনবা এন্টি কেথোলিক্স সোসাইটি হায়বদি পোটেষ্টেন্টগী লূপ ৪৩ লৈরমখি।

য়ুনাইটেদ কিংদম, অৱাং থংবা আর্টলান্তিক ওসিন্দা য়ুরোপ মহাদেশকী মপান নক্লা লৈবা, বৃটিশ ঈথৎ অমসুং মসিগী নোংচুপ্তা তোঙান্না লৈবা অয়রলেন্দ ইথৎকী অৱাং থংবা শরুক্না শেন্বা নিংথৌ (নৎত্রগা মহারানি) না লৈঙাকপা ফুটবোল শান্নবদা থৱায় য়াম্না য়াওবা মরম্না ফুটবোল শান্নবগী ৱাথোক য়াম্না থোকনবা লৈবাকনি। বৃটিশ ঈথৎ অমসুং অয়ারলেন্দ ঈথৎকী মরক্তা আইরিশ-সি অমসুং নোর্থ চেনেল লৈ। গ্লাসগোদা রেঞ্জর ফুটবোল টিমগা কেথোলিক কেলটিক ফুটবোল ক্লবকা ফুটবোল শান্নবা নুমিৎতা মেচ অদু য়েংনবা মীওই লিশীং লিশীং হেনবনা হী, ষ্টিমর অমদি জহাজ তোংদুনা নোর্দন অয়রলেন্দগী গ্লাসগোদা লাকই, বেলফাষ্ট সহরদা শান্নবা নুমিত্তসু নুপা নুপী কয়ামুক হী তোংদুনা আইরিশ-সি লাম্থোকই।

# কোরিয়াগী ওইবা নাৎকী চৎনবী

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-




**সাউথ** কোরিয়াগী সিওল সিটিদা থেংনরকপা য়াম্না নুংশিবা কোরিয়াগী ওইবা নাৎকী চৎনবী অমখক্কী ৱারীনি। INBA KOREA (International Natural Bodybuilding Association) গী প্রসিদেন্টনা ইনভাইট তৌরকপদগী ওক্টোবর ১৩দগী ১৫ ফাওবা কোরিয়াদা চৎলুবদা থেংনরকপা ৱারীনি। তশেংবদি কোরিয়াদা হন্দক্কীসিনা ঐহাক্কী পূন্না মঙারকশুবা খোঙচৎনি। অদুবু মমাঙগী খোঙচৎ মরিরক্তদি য়েংশিল্লুদবনরা নৎত্রগা খল্লুদবনরা করিনো উবু উখিদ্রি।

ওক্টোবর ১৪ INBA Korean National level Natural Bodybuilding and Fitness Championship লোইদুনা মথংগী নুমিৎ তাং ১৫দা ঐহাক্কী মরুপ আই এন বি এ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট Diesel অমদি আই এন বি এ কোরিয়াগী প্রোফেসনেল ফোটোগ্রাফর Mrs Joo অনীনা Korean cuisines চাননবা অমদি নিংথিবা মফম খরা খনগৎতুনা ঐহাকপু কোয়বা পুথোকপীখি।

অহানবা ওইনা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম অমদি মতুং মোর্দন ইরাদা পোলিটিকেল লিদরশিংনা য়াম্না তোয়না কোয়ফম চৎফম-থকফম, হরাউফম ওইবা মফম অমদা ঐহাকপু পুবিখি। মফম অসি য়াম্না লীরবা মফমনি। মফমসিদা ঐহাক্লা য়াম্না তোঙানবা চৎনবী খরা উবা ফংজখি। নৌরিবা কোরিয়াগী নহারোল নুপী নুপা অনীমক মফমসিদা মখোয়গী লীরবা মমাঙঙৈগী ফিজোল (ত্রেদিসনেল দ্রেসশিং) শেৎতুনা য়াম্না হরাউ তয়াম্না চৎপা উখি। মফমসিদগী অমুক খরা চৎথোক্লগা লৈবা কিংস পেলেস কৌবা থায়না নিংথৌ পাল্লিঙৈদা নিংথৌনা লৈরম্বা মফমদা ময়াম অমমুক উবা ফংখি।

অহানবা উবা মীকুপ্তা ঐহাক্লা খল্লুই য়াম্না ফজৈদকো হায়না লোয়ননা অসুম্নসু খল্লুই নোংমা ফাদোক শেৎপা ওইরমগনি হায়না। অদুবু ঐহাক্কী ৱাখল অদো লাল্লম্মী। ইমান্নবা আই এন বি এ কোরিয়া প্রসিদেন্টদুনা অসুম্না হায়বিরকই "My friend, this happens all the year round, nothing to do with any festival. They just love to come here and dress up the traditional dresses and relax with their friends. Soon, I will bring my wife and daughter." মতমদুদা ঐহাক্লা থম্মোয়দা য়াম্না নুংশিজবা অমদি নুংঙাইতবা পূক্নিং ফাওরকখি। নুংশিবা পূক্নিংদুনা মখোয়গী নহারোলশিংনা অদুক্কী মতিক মশাগী নাৎপু/কলচরবু চাওথোকচনা উৎপদুদা ঐহাকসু ইশাগী নাৎপু উৎচনীংলকই অমদি নুংশিরকই। অদুগা য়াম্না নুংঙাইতবা পূক্নিংদুনা মখোয়গী নহারোলশিংনা ঐখোয়গী নহারোলশিংগগী খেন্নবা অদু উরুবদা। 'করিগীনো ঐখোয়গী অদুক ফজখ্রবা নাৎ, কোরিয়া, জপান, চাইনিজশিংদগী করিসু তাবা লৈতে- ইশাগী ইয়েক লৈজে, ইরোল লৈজে, ফজখ্রবা নাৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, হৌন-লোনচৎ, চাকচা, ফিজেৎ অমদি লাইনীং লাইশোন লৈজে। অদুদা নত্তনা লীরবা লিটরেচরগী কৈ য়াম্না ৱাংনা লৈরি ঐখোয়গীসু অদুগা ঐখোয়গী নহারোলশিংনা কোরিয়াগী নহারোলশিংগুম্না মশাগী লৈজরিবা ময়াম অসিগীদমক করিগী চাওথোকচবা ঙমদ্রিবা?' হংজখি ইতোমতা, ইরমদম কংলৈপাক্কী হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা মশাগী মরমদমগী অসুক ফজখ্রবা নাৎকী ওইবা চৎনবী অমদি ফিজোলবু তুংওইননা থল্লম্লগা অতোপ্পগী কলচর, অতোপ্পগী ফিজোল, চাকচা-য়ুথকপু য়াম্না পাম্না মতৌ তল্লি পক্লে-পক্লদে খন্থদনা। মসিনা তাকপদি মশানা মশাবু হন্থনা য়েংই হায়বগী চপ চাবা খুদম হায়বদু উৎলে।

নহারোলতা নত্তে, অহল-লমন্নসু অয়াম্বনা অতোপ্পগী কলচরদা ঙাওজরি মশা মশাগী চৎনবী অমদি নাৎপু তুংওইনদুনা। অতোপ্পগী কলচর চৎপা, অতোপ্পগী লোল ঙাঙবা, অতোপ্পগী ফিজোল শেৎপা অমদি অতোপ্পগী কলচর খঙবদুনা লাইরিক লাইশু হৈবা শক্লরি, স্কোলরনি খন্নরি। ইশানা ইশাবু খঙদুনা, ইশাগী নাৎ, হৌন-লোনচৎ অমদি লাইনীং লাইশোনবু হান্না খঙদুনা অতোপ্পগী কলচর, লাইনীং-লাইশু খঙনবা হোৎনবদি থাগৎনীংঙাইনি। অদুদি নত্তনা মশাগী নাৎ, চৎনবী, লাইনীং লাইশোনবু করিসু থিজিন্দনা, খঙদনা চাওখৎতবনি, হন্থবনি খন্দুনা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা নহারোলশিংবু অরানবা লম্বীদা লমজিংবদি লাইবক য়াম্না থিবনি অমদি অরানবা ওইগনি হায়না থমজগে।

মসি হায় হায়দুনা ইন্দিভিজুএল খুদিংমকপু অসুম্না তৌই হায়জবদি নৎচদে। মসিদি মতম কুইনদগী শোয়রক্লবা ঐখোয়গী এদ্যুকেসন সিষ্টেম শোয়রকপদগীসুনি। ঐখোয়গী স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী লাইরিকশিংদা, সেলেবসতা কংলৈপাক্কী/মণিপুরগী নাৎ, হৌন-লোনচৎ, ইয়েক, ইরোল অমদি লাইনীং লাইশোনগী মরমদা কয়া য়াম্না য়াওবগে অমদি তন্বীবগে হায়বদো ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরবা ৱাফমনি। পূম্নমকসি অৱাংবা থাক্তা লৈবিরম্বা, হৌজিক হৌজিক লৈবিরিবা লাইরিক লাইশুগী লমদা খুমাঙ খরা চাউশিল্লবা ইন্দিভিজুএল খরগা অমদি অতোপ্পগী কলচরবুনা হেন্না পামজবা, পোলিটিসিয়ন খরগনা শেমখিবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম অদুননি।

অমরোমদা, ইচম চমজনা হিংজবা স্কোলরসু নত্তবা মিনিষ্টর, পোলিটিসিয়নসু নত্তবা ঐখোয়গুম্বা মীচম কয়ানা ঙমজবা হোৎনজরি ঐখোয়গী ইপা ইপুনা থম্বীরল্লবা মমল য়াল্লবা খুদোলপোৎশিং অসিবু। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা ঐহাকসু অঙম্বা হোৎনজরি মীরমদা লৈজখ্রবসু। মীরমদা লৈজখ্রবসু মালেমগী মফম কয়াদা ঐহাক্লা ঐখোয়গী নাৎপু ইন্দুনা নুংশিনা মচু তরেৎকী ফিরালবু নীংখা তম্না পাইহন্দুনা, ইনাৎকী ওইবা চৎনবী, থৌদোক/ফেষ্টিবেল কয়াবু পাঙথোকচদুনা, কংলৈপাক/ মণিপুরবু শক তাক্লবা হোৎনজৈ, ইরমদমগী লৈপাক নীংবগী শৈহেক ফাওবা মালেমগী থাদোক্তুনা মালেমগী মীওইশিংদা উৎনবা হোৎনজৈ। মসি তৌবা ঙমজরিবসিসু ইশানা ইশাবু ইকায়খুম্নজবা অমদি ইনাৎপু নুংশিজবদুনা ঙমজরিবনি। মসিদা কনানসু ঐহাকপু হন্থনা য়েংদে। মদুগী মহুত্তা ঐহাকপু অদুক্কী মতিক ইকায়খুম্নবি, নুংশিবী অমদি থাজবী। ঐহাক্লা চৎলু চৎলুবা মফমশিংদা ঐহাকপু অদুক্কী মতিক লুনা, নুংশিনা তৌবি, ইকায়খুম্নবা উৎপী। কোরিয়াদদি লোইরে, ঐহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী, ইকায়খুম্নবী, থাজবি। অসুম্না অতোপ্পনা ঐহাক্কী ইফমদা পীবিরক্লিবা খুদোল কয়া অসিনা তাকপদি, ইশানা ইশাবু চাওথোকচনা খনবা অমদি ইশাগী নাৎপু, লাইনীং লাইশোন, ইয়েক, ইরোল, হৌন-লোনচৎ ৱাঙাঙ-শঙাঙ, চাকচা-য়ুথক, ফিজেৎ চাকচা পূম্নমকপু নুংশিনা ইনজবা, চৎচবা, ইকায়খুম্নজবা অদুগী মহয়না অচুম্বা চৎচবা, থম্মোয় শেংজবা, নোল্লুকপা অমদি কন্না হোৎনবগী মমি অদু মায়থোংদা অমদি ঐহাক্কী লমচৎ, ৱাঙাঙ শাঙাঙদা তাবদগীনি হায়জনীংই। করিগুম্বা ঐহাক্লা ইশাগী ইনাৎপু অমদি ইশাবু হন্থনা খঞ্জরল্লবদি হায়রিবা শক্তমশিং অসি মখোয়না উরল্লোই অমদি ঐহাকপু নিংথিনা, নুংশিনা তৌবিরক্লমদবসু য়াই। লাইবক থিবদি, ইরমদমগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা মশাগী ফজখ্রবা নাৎপু তুংওইননা হুন্দোক্লম্লগা অতোপ্পগী নাৎপু কোনশিনবগী য়াম্না চৎনবী অমা লৈরি। মসিগী মরু ওইবা মরম খরা হায়রবদি - মখোয় মখোয়গী অহল লমনশিং অমদি লৈকায়গী ময়াম্বা, অহল-লমনশিংনা তৌবদু মতৌ তম্বনি। অদুগা অতোপ্পা অমনা, ঐখোয়গী লাইরিক লাইশু তম্বদা, স্কুলগী লাইরিকশিংদা ইশাগী নাৎকী নীংথিবা, হৌন-লোনচৎ ইরোল ইয়েক, ফিজেৎ চাকচাগী ফজবা, কান্নবা কয়াবু মতম কুইনদগী তন্বীরক্তবনা নহারোলশিংনা মশাগী নাৎকী কান্নবা অমদি ফজবশিং খঙদবদগীনি। মসিদি লাইবক য়াম্না থিবনি। য়েংবিয়ু ইরমদমগী হৌখ্রবা এদ্যুকেসন সিষ্টেমগী সেলেবসতা অমদি লাইরিকশিংদা কনাগী কলচরনা হেন্না নৈনবগে অমদি তন্বীবগে হায়বদু। কলচরদা নত্তে হিষ্ট্রিসু অয়াম্বনা মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা মফমশিংগীনা অয়াম্বনি। এদ্যুকেসন সিষ্টেম্না য়াম্না চাউবা ইথিল পী হায়বসি কাউবীদনা লৈপাক্কী, ইরমদমগী খন্দুনা চান্নবা সেলেবস হাপপীগদবনি। ইশাগী হৌরকফমগী হৌনা লোনচৎ, ইয়েক, ইরোল, নাৎ অমদি লাইনীং লাইশোনবু ঙাক্লা ইকায়খুম্ননা, মমল খঙনা থম্বীদ্রবদি ঐখোয়সু নোংমদি মুৎখিবা তাবনি ইশাগী আইদেন্টিটি লৈতবনা। ইশানা ইশাবু মশক খঙনা চৎলবা কান্দা অতোপ্পবুসু মুন্না মশক খঙবা ঙমগনি হায়বসি কাউফদে। ইশানা ইশাবু অমদি ইশাগী নাৎপু খঙদ্রবা অমদি উশিৎত্রবদি কনানা ঐখোয়বু উশিৎপীগদৌরিবনো। ইশানা ইশাবু উশিৎতনা, ইশাগী নাৎপু ৱাংনা খঞ্জবা অমদি থমজদ্রবা কান্দা অতোপ্পবু অমদি অতোপ্পগী কলচরবুসু ইকায়খুম্নবা ঙমগনি অমদি চান্না-চিন্ননা লৈমিন্নবা ঙমগনি, লোয়ননা অতোপ্পনসু ঐখোয়বু অমদি ঐখোয়গী নাৎপু ইকায়খুম্নবীগনি।

হায়জনীংবদি, হৌজিকসু মতম য়াম্না লৈরি অতোপ্পদগী করিসু তাদনা লৈরিবা ইশাগী ইয়েক, ইরোল, নাৎ, হৌনা লোনচৎ, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, চাকচা-য়ুথক অমদি লাইনীং লাইশোনবু নিংথিনা খঙহন্দুনা চৎচবগী অমদি শৌগৎপগী অতোপ্পগীদা তাংলুদ্রসু। কোরিয়ন, জপানিজ, চাইনিজশিং অমদি মালেমগী লৈবাক কয়ানা হৌজিক হৌজিক কন্না মরমদগী মশা মশাগী মনাৎ, লাইনীং লাইশোন, মরোল, ময়েক অমদি হৌনা লোনচৎপু কন্ননবা অমদি মালেম শিনবা থুংনা শন্দোক্লবা হোৎনরি। অদুগা ঐখোয়না খুদিংমক লৈনা লৈনা করিগী অতোপ্পগী মতৌ তমগদৌরিবা, অতোপ্পদা তাংলুগদৌরিবা। ইরৈচাশিং ৱাখল খন্থমিন্নরসি। নাতৈ চাদবা অতোপ্পগী চাকচা-য়ুথক, ফিজেৎ চাকচা, ৱাঙাঙ-শাঙাঙদা মতৌ তম্বগী মহুত্তা কোরিয়াগী নহারোলশিংনা মখোয়গী নাৎপু অসুক্কী মতিক চাওখৎচনা মীমাঙদা উৎথোকপগুম ঐখোয়সু ইশাগী লৈজরিবা ফজখ্রবা, তাঙনা থম্বীরল্লবা ইয়েক, ইরোল, ইনাৎ, হৌন লোনচৎ, ফিজেৎ চাকচা অমদি ইশাগী লাইনীং লাইশোন্দা চাওথোকচবা তল্লসি, অতোপ্পদগী পুরুবগী, তাংলুবগী মহুত্তা। য়াইফমীন্নরসি।

# মণিপুরদা মীকোক থিবা (৪শুবা)

উশম ধনঞ্জয় সিংহ

*(হান্নগী মখা চৎখজরকপা...)*

**কুমজা ১৯৯১**দা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং অসি ১৮,৩৭,১৪৯নি। নুপানা ৯,৩৮,৩৫১; নুপীনা ৮,৯৮,৭৯০নি। সহরদা ১৩,৩১,৫০৪; খুঙ্গংদা ৫,০৫,৬৪৫নি। সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ত্রাইবকী মশীংনা মথংশিংনা ৩৭,১০৫ অমসুং ৬,৩২,১৭৩নি।

মণিপুরগী পাক চাউবা অসি বর্গ কিলোমিটর ২২,৩২৭নি। মী কুংনা তাবগী চাং অসি বর্গ কিলোমিটরদা ৮২গী চাংনি। নুপা ১০০০দা নুপী ৯৫৮ ওই।

দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সব দিভিজন্দা লৈবা মীশিং অসি মখাগীসিনি।

| | দিষ্ট্রিক্ট | সব দিভিজন | মীশিং |
|---|---|---|---|
| ১. | ইম্ফাল ৱেষ্ট | | ৩,৮০,৮০১ |
| | | ১. লমশাং | ৪৭,৩৭৫ |
| | | ২. পাৎশোই | ৫৬,৯৪৮ |
| | | ৩. ৱাঙ্গোই | ৯৯,৭৮৩ |
| | | ৪. লম্ফেলপাৎ | ১৭৬,৬৯৫ |
| ২. | ইম্ফাল ইষ্ট | | ৩,৩০,৪৬০ |
| | | ১. জিরিবাম | ৩৪,০৪৬ |
| | | ২. পোরোম্পাৎ | ১,৭৫,২৪৭ |
| | | ৩. কৈরাও বিত্র | ৫৬,৮৩৪ |
| | | ৪. শওম্বুং | ৬৪,৩৩৩ |
| ৩. | বিষ্ণুপুর | | ১,৮০,৭৭৩ |
| | | ১. মোইরাং | ৮৮,৯৯২ |
| | | ২. বিষ্ণুপুর | ৪৬,৪৭১ |
| | | ৩. নম্বোল | ৪৫,৩১০ |
| ৪. | থৌবাল | | ২,৯৩,৯৫৮ |
| | | ১. থৌবাল | ১৩৯,৮৬৬ |
| | | ২. লিলোং | ৫৩,৮৩৪ |
| | | ৩. ককচীং | ১,০০,২৫৮ |
| ৫. | সেনাপতি | | ২,০৮,৪০৬ |
| | | ১. সদর হিলস ৱেষ্ট | ৪৯,২২৫ |
| | | ২. সদর হিলস ইষ্ট | ৩৯,৮৩৫ |
| | | ৩. সাইটু গুম্ফাতোন | ২৮,০০৯ |
| | | ৪. মাও মরাম | ৪৯,৬৭৬ |
| | | ৫. পুরুল | ২২,২১৩ |
| | | ৬. পাওমাতা | ১৯,৪৪৮ |
| ৬. | চুড়াচান্দপুর | | ১,৭৬,১৮৪ |
| | | ১. চুড়াচান্দপুর | ৯৩,৮৮২ |
| | | ২. সিংহাট | ১৮,৬৪৩ |
| | | ৩. থানলোন | ১৯,১০৯ |
| | | ৪. চুড়াচান্দপুর নোর্থ | ২০,৪৫৫ |
| | | ৫. টিপাইমুখ | ২৩,৯৯৫ |
| ৭. | তমেংলোং | | ৮৬,২৭৮ |
| | | ১. তমেংলোং | ২৭,২২৫ |
| | | ২. তমেংলোং ৱেষ্ট | ১৫,৯২৮ |
| | | ৩. নুংবা | ২৫,৩০৩ |
| | | ৪. তমেংলোং নোর্থ | ১৭,৮২২ |
| ৮. | চান্দেল | | ৭১,০১৪ |
| | | ১. চান্দেল | ১৮,৫৪৪ |
| | | ২. চকপীকারোং | ২১,৫৮২ |
| | | ৩. তেংনৌপল | ২০,৬২০ |
| | | ৪. মচি | ১০,২৬৮ |
| ৯. | উখ্রুল | | ১,০৯,২৭৫ |
| | | ১. উখ্রুল নোর্থ | ১৮,৫৩৬ |
| | | ২. উখ্রুল সেন্ট্রেল | ৬১,৪৪৪ |
| | | ৩. ফুংয়ার | ১০,৮৩০ |
| | | ৪. কামজোং | ১২,১২৪ |
| | | ৫. উখ্রুল সাউথ | ৬,৩৪১ |

কুমজা ১৯৮১দগী কুমজা ১৯৯১ ফাওবা চহী ১০ অসিদা হেনগৎলকপা মীশিংগী চাং অসি চাদা ২৯.২৯নি। ধর্ম্মগী ওইবা চাংদা চাদা পাবদা মখাগীসিনি:

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| ১. | বুধ ধর্ম্ম চৎপা | ০.৪৪ | ৬. | সিখ | ০.০৭ |
| ২. | খৃষ্টান | ৩৪.১১ | ৭. | অতৈ ধর্ম্ম চৎপশিং | ০.৭৭ |
| ৩. | হিন্দুস | ৫৭.৬৭ | | | |
| ৪. | জৈইন | ০.০৭ | | | |
| ৫. | মুসলিম | ৭.২৭ | | | |

অপূনবা মীশিং ১৮,৩৭,১৪৯ অসিগী মনুংদা মীশিং ৬,৩২,১৭৩না ত্রাইবেলনি। হায়রিবা ত্রাইবেল মশীং অসুম্না অমুক খায়দোকপা য়াই :

| | | |
|---|---|---|
| ১. | আইমোল | ২১০৮ |
| ২. | অনান | ১০,৬৪২ |
| ৩. | অঙ্গামী | ৩০৮ |
| ৪. | চিরু | ৬০৩২ |
| ৫. | চোথে | ২৫৭১ |
| ৬. | গাংতে | ১২,৭৯৩ |
| ৭. | মার | ৩৫,৭৬৭ |
| ৮. | কবুই | ৬২,৪০৭ |
| ৯. | কচ্চা নাগা | ৩৩,৬৪০ |
| ১০. | কোইরাও | ১৭১৬ |
| ১১. | কোইরেং | ৮৭৩ |
| ১২. | কোম | ১৩,০০৪ |
| ১৩. | লমকাং | ৪০৩১ |
| ১৪. | মাও | ৭৬৯৭২ |
| ১৫. | মারাম | ৯৫৯২ |
| ১৬. | মরিং | ১৫,৬৯৮ |
| ১৭. | মিজো | ৮২৪০ |
| ১৮. | মোন্সাং | ১৮০৩ |
| ১৯. | মোয়োন | ২০৮১ |
| ২০. | পাইতে | ৪০৭৯২ |
| ২১. | পুরুম | ৩৮৮ |
| ২২. | রানতে | ২৫০ |
| ২৩. | সেমা | ১১১ |
| ২৪. | সিমতে | ৮৮৩৩ |
| ২৫. | সুকতি | ৭৪৬ |
| ২৬. | তাঙ্খুল | ১০৭২৪৪ |
| ২৭. | থাদৌ | ১২১৯৯৪ |
| ২৮. | ৱাইফৈ | ২৬৮৭৭ |
| ২৯. | জৌ | ১৬৮০৩ |
| ৩০. | খায়দোক্তবা | ৭৭৭৭ |

দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা সেদ্যুল কাষ্টশিংগী মশীং অসি অসুম্না লৈ:

| | দিষ্ট্রিক্ট | নুপা | নুপী | অপূনবা |
|---|---|---|---|---|
| ১. | সেনাপতি | ১০০ | ৭২ | ১৭২ |
| ২. | তমেংলোং | ২২ | ১১ | ৩৩ |
| ৩. | চুড়াচান্দপুর | ২১০ | ৯১ | ৩০১ |
| ৪. | চান্দেল | ১৩৬ | ১০১ | ২৩৭ |
| ৫. | উখ্রুল | ১৪৪ | ৭৭ | ২২১ |
| ৬. | থৌবাল | ৫৫২১ | ৫৫২৩ | ১১০৪৪ |
| ৭. | বিষ্ণুপুর | ১১৪৭ | ১১৮৬ | ২৩৩৩ |
| ৮. | ইম্ফাল ইষ্ট | ৬৭৪৩ | ৬৪১০ | ১৩,১৫৩ |
| ৯. | ইম্ফাল ৱেষ্ট | ৪৭৮৩ | ৪৮২৮ | ৯৬১১ |
| | মণিপুর | ১৮,৮০৬ | ১৮,২৯৯ | ৩৭,১০৫ |

দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা সেদ্যুল ত্রাইব মশীং :

| | দিষ্ট্রিক্ট | নুপা | নুপী | অপূনবা |
|---|---|---|---|---|
| ১. | সেনাপতি | ৮৯,১০৩ | ৮৬,১০৩ | ১,৭৫,২০৬ |
| ২. | তমেংলোং | ৪২,৫৩১ | ৪০,৮০১ | ৮৩,৩৩২ |
| ৩. | চুড়াচান্দপুর | ৮৩,৭৬০ | ৮০,৯৪৯ | ১,৬৪,৭০৯ |
| ৪. | চান্দেল | ৩০,৬৯১ | ৩০,০৩৮ | ৬০,৭২৯ |
| ৫. | উখ্রুল | ৫২,২৬৫ | ৪৯,৬১৩ | ১,০১,৮৭৮ |
| ৬. | থৌবাল | ১৫৪৩ | ১৩০১ | ২৮৪৪ |
| ৭. | বিষ্ণুপুর | ৫১৬৭ | ৪৪০৮ | ৯৫৭৫ |
| ৮. | ইম্ফাল ইষ্ট | ৯৯৯২ | ৯১৯৯ | ১৯,১৯১ |
| ৯. | ইম্ফাল ৱেষ্ট | ৭৬৬৮ | ৭০৪১ | ১৪,৭০৯ |
| | মণিপুর | ৩,২২,৭২০ | ৩০,৯৪৫৩ | ৬,৩২,১৭৩ |